# মিজোরামসু কোভিদ-১৯গী কেস লৈতবা ষ্টেট ওইরে হায়না লৈঙাক্লা লাউথোকখ্রে

আইজোল, মে ০৬ (এজেন্সি):

মিজোরামদা কোভিদ-১৯গী কেস অমত্তা লৈত্রে হায়না ষ্টেট লৈঙাক্লা লাউথোকখ্রে।

ষ্টেট অসিগী ওইনা মশাগী চহী ৫০ শুরবা পাষ্টর অমা নেদরলেন্দসতা চৎলুবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকখিবনি। ষ্টেটকী হেল্থ মিনিষ্টর আর লালথংলিয়ানানা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা মীওই অসিগী সেম্পল ৪ টেষ্ট তৌবদা লোইনমক নেগেটিভ ওইরে। চয়োল অসিগী মনুংদা মীওই অদু দিসচার্জ তৌরবা য়াই। হৌজিক্তি মিজোরামদা কোভিদ-১৯গী কেস অমত্তা লৈত্রবনিনা ষ্টেট অসি কোভিদ-ফ্রী ওইরে হায়না লাউথোকপা য়ারে।

অৱাং-নোংপোক লমদমগী ওইনা লায়না-লাইচৎ অসিগী কেস অমত্তা লৈত্রবা ষ্টেটশিংদি মণিপুর, অরুনাচল প্রদেশ, নাগালেন্দ অমসুং মিজোরামনি।

চৈরকসিদা, মিজো ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা প্রাইভেট স্কুলশিংগী ওথোরিটিদা লোকদাওন মনুংগী ওইনা থাগী ফী লৌদনবা খঙহনখ্রে। মহৈরোয়শিংগী লূপশিং অসিনা থাদোরকখিবা ৱারোল অমনা হায়খি, মিজোরাম ইন্দিপেন্দেন্ট স্কুল এসোসিএসন (এম আই এস এ)না থাগী ফী লৌগনি হায়না লাউথোকখিবা ৱাফম খোঙফম হন্দোক্কদবনি। মহৈরোয় অয়াম্বা লায়রবা ইমুংদা পোকপা মরম্না লোকদাউন মনুংগী ওইনা থাগী ফী লৌফম থোক্তে।

অমরোমদা, মিজোরাম গভর্নমেন্টনা ওর্দিনান্স অমা চৎনহনখিবগা লোয়ননা লোকদাউনগী কাঙলোন ঙাক্তবা মীওইশিং চৈরাক পীনবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। কোভিদ-১৯ গী লাইচৎ লাকশিন্নবগী পান্দমদা থম্লিবা লোকদাউনগী কাঙলোন ঙাক্তবা মীওইশিং থা ৩ ফাওবা জেলদা থম্বগা লোয়ননা লুপা ৫,০০০ ফাইন থিহল্লগনি হায়রি। মীয়াম তিনবা মফমদা তিন শীৎতোকপনা লুপা ৩০০ ফাইন লৌরগনি। মাস্ক উপ্তবা মীওইশিংদগী লুপা ১০০ ফাইন লৌরগনি হায়রি।

## খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা ঙা য়োল্লে

শিবসাগর, মে ০৬ (এজেন্সি):

মালেমগী মফম পুন্নমক্তা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরকখ্রবা মতুংদা ইষ্টর্ন অসামগী শিবসাগরদা দেপ্যুটি কম্মিস্নর লখিনন্দন গোগোইনা ওর্দর অমা থোক্তুনা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা ঙা য়োন্দনবা খঙহনখ্রে।

কৈথেল অমদি লম্বী নাকলদা মীওই খরনা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা মওংদা ঙা য়োনবগী থৌওং চখুরকপদগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা অখন্নবা থৌরাং অসি লৌকৎলকপনি। এদিসনেল দেপ্যুটি কম্মিস্নর (ফিসরি)না লুচিংবা টিম অমনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা হৌজিক ঙা য়োনবগী মওং-মতৌ কুপ্না য়েংশিনবা হৌরগনি।

অমরোমদা, অসামগী টি ট্রাইব ৱেলফেয়র মিনিষ্টর সঞ্জয় কিসননা দিব্রুগর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা চা বগান ১১ দা চত্তুনা শিন্মীশিংগী ফিভম য়েংশিনখ্রে। চা বগানদা থবক শুরিবা শিন্মীশিং কোভিদ-১৯ ঙাকথোক্লবগী গাইদলাইন ঙাক্লিব্রা হায়বদু কুপ্না য়েংশিনখি। মিনিষ্টরনা চা বগানগী শিন্মীশিংদা ফেস মাস্ক কয়াসু য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা লু নানবগী হৈনবী থম্নবা খঙহনখি।

## রিপোর্ট পীরক্লবা খঙহনখ্রে

অগরতালা, মে ০৬ (এজেন্সি):

বি এস এফকী পর্সনেল ৩৮ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপগী মতাংদা ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেবনা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীরক্লবা খঙহনখ্রে। ষ্টেটকী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রতন লাল নাথনা হায়খি মদুদি, হীরম অসিগী মতাংদা হোম সেক্রেটরি বরুন কুমার শাহুনা বি এস এফকী ইন্সপেক্টর জেনরেলদা অইবা চেরোল অমা থাখ্রে।

## মিজোরামদা দ্রগকা কোন্ননা ১ ফারে

আইজোল, মে ০৬ (এজেন্সি):

ম্যান্মাররোমদগী পুশিল্লকপনি চিংনবা লোকেল মার্কেটতা লুপা লাখ ১.৮ লোমগী ওইগদবা হিরোইন গ্রাম ৭৮.৩ রোমগা কোন্ননা মীওই অমা মিজোরামগী চম্পাইদগী ফারে। মীওই অদু দ্রগকা কোন্ননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মিজোরাম এক্সাইজ এন্দ নার্কোটিক দিপার্টমেন্টনা জোটলাং ভিলেজ লেভেল টাস্ক ফোর্সকী ভলন্টিয়রশিংগী মতেংগা লোয়ননা ফাগৎখিবনি হায়রি।

## দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর চোনা মেননা লুচিংবা টিম অমনা অসাম-অরুনাচলগী ঙমখৈ য়েংশিনখ্রে

ইটানগর, মে ০৬ (এজেন্সি):

অরুনাচল প্রদেশকী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর চোনা মেননা লুচিংবা অৱাংবা থাক্কী টিম অমনা অসামগা লোন্নবা ঙমখৈদা চত্তুনা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবগী মতাংদা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং য়েংশিনখ্রে।

মীওই ৬ না শাবা টিম অদুনা পাকে কেসাং দিষ্ট্রিক্টকী সৈজোসাদা চত্তুনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংগা ৱারী শানখি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবগী মতাংদা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংসু কুপ্না য়েংশিনখি।

হৌজিক-হোরেন কোভিদ-১৯ লাকশিনবা ঙম্বগী ফিভম লৈতে হায়না পল্লদুনা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, মীৎকুপ অমত্তং চেকশিনহৌদবদা খুদোংথিবা মায়োক্নরকপা য়াবা মরম্না মতম পুন্নমক্তা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপা তঙাইফদে। লুরবা তানফম অসিদা মীপুম খুদিংমক্না মশা-মশাগী অঙম্বা থাক্তা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা হোৎনফম থোকই।

অমরোমদা, অরুনাচল প্রদেশগী চীফ মিনিষ্টর পেমা খন্দুনা হায়খ্রে মদুদি, অসামগা লোন্নবা ঙমখৈদা লৈরিবা এন্ট্রি পোইন্ট ১২ দা মীৎকুপ নাহুম শিংনা শেন্নবা হায়বসি হৌজিকমক্কী ওইনা খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌরাংনি। হীরম অসিদা ষ্টেটকী হেল্থ দিপার্টমেন্ট, মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি পুলিস দিপার্টমেন্টনা খুৎশম্নবা তঙাইফদে।

বান্দরদেৱাদা লৈবা পুলিস ট্রেনিং সেন্টরদা চত্তুনা ক্বারন্টিন সেন্টর য়েংশিনখিবা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, হেল্থ দিপার্টমেন্টকা মরী লৈনবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর মতিক চানা লৈহনবগা লোয়ননা লায়েংনবগী মতাংদা খুদোংচাবা পুন্নমক ফংহনবা মথৌ তাই। এন ঈ এস আই দি অমদি নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিলনা থাদরকপা শেনফম পুন্নমক চহী অসিগী ওইনা হেল্থ সেক্তরদা শীজিন্নরগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

দোক্তরগী অৱাৎপা লৈবগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ষ্টেটকী মফম পুন্নমক্তা দোক্তর অমদি মেদিগেল ষ্টাফ ৱাৎপনা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নরে।

## ষ্টেটকী পাউ

# নুংশিবা হায়বসিনা ঈংথবা, হিংমিন্নবদা পুনবা য়াগনি : সনাজাওবা

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস):

নুংশিবা হায়বসিনা ঈংথবা, তপথবা অমসুং হিংমিন্নবদা পুনবা য়াগনি হায়না মৈদিংঙু লৈশেম্বা সনাজাওবনা ফোঙদোকখ্রে।

নিদি হোম একাদেমী মপাওদা লৈবা হোম অমদি নিদি লাঙ্গোলদা লৈবা ৱিমেন হোম অমসুং নোংমৈবুংদা লৈবা রাজাদুম্ব্রাসিং ৱিমেন হোম, খোংনাং দেবী ৱার্কিং ৱিমেন হোষ্টেল, ওল মণিপুর ৱিমেন এসোসিএসন্না চলাইবা হোমদা মতেং পাংবগী থৌরমদা মৈদিংঙু লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়খি, নুংশিবা হায়বসিগী অফবা ৱাখল্লোন চেনবা লোয়ননা শেন্বীবা মপুসু লৈগনি। মপু মানা থৱায় পানবা ময়াম শেন্বীবদা য়াওরিবসি ঐখোয় মীওইবসুনি। নুংশিনবা লৈবা মফমদা তংদু-লৈতাগনি। নুংশিবা লৈবা মফমদা শেন্বীবা মপু লৈগনি। নুংশিবা লৈবা মফমদা মীয়াম পুন্না লৈবা য়াগনি। লাইনিং-ফুরুপ খায়দোক্তুনা লৈবসি অপীকপা ৱাখলনি। মীওইবা অমা ওইবনা ঐগী ওইবা অমদি লৈতবা য়ারোই। অদুবু মসি লৈ হায়দুনা লাইনিং-ফুরুপকী খেন্নবা ৱাখলদা য়ুম্ফম ওইদুনা নুংশিবা হায়বসি মাঙখ্রবদি মীওইবগী ৱাখল নত্তে। হোমদা লাকপসিদা নুংঙাইবা ফাওই। লাইবক থীবা নিংথৌ অমা ওইনা করিসু লৈত্রবা লায়রবা অমদি ওইরি। অৱাবশিং উরগা য়েংবা ঙমদে। মতেং পাংবসু ঙমদ্রি। হোম অসিদা লৈরিবশিং অসি অমত্তা ওইবগী ৱাখলদা ফাওরি। পুরক্লিবা মনা-মশিং অসিসু মরাম খুনশিংদগী পুরক্লগা মরাম য়ুনিয়ন অমদি মৈতৈ লিপুননা শীন্নবা ঙাক্তনি। মীয়াম্না করিগুম্বা অমত্তা মতেং পীদ্রিবা হোম থিবদা মপাও খুল্লেন্দা লৈরিবা নিদি হোম একাদেমী অসিদা পুরকপনি। পোৎশিং অসি ইচম চম্বা ওইরবসু থম্মোয়গী মরী অমদি য়াওরিবনি। হোম অসিদা অমুক হন্না লাকখিগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

নিদি হোম একাদেমীগী ফাউন্দর ডা. চাঙ্গনা ফোঙদোকখিবদা, হোম অসিদা ফুরুপ-কাঙলুপকী খেন্নবা লৈতনা খুদিংমক নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নরি। দিষ্ট্রিক্ট শুনা লৈরিবনি। মসিদা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী মীওইশিং লৈরি। ইচা ঙাক্তনি হায়না লৌই। ওর্ফান হায়বা ৱাহৈ অসি শীজিন্নদে। মসি তাবদসু নুংঙাইতে। ফুরুপ-কাঙলুপ অমসুং লাইনিংগী খেন্নবা ৱাখল্লোন লৈহন্দে। মণিপুরী লোল অমসুং ইংলিস খক্তদগী হেন্না শীজিন্নদে। হোম অসিদা লৈরিবসি ইমুং ১৮নি। ওজাশিং য়াওনা লৈরিবসি কথোকপা ঙাক্তনি। স্কুল ওইনা লিংবসি অঙাংশিং লাইরিক তমহন্দবা য়াদে হায়না তমহনবনি। ঙসি ফাওবদা কনাদগী মতেং লৌদ্রি। এস বি আইদগী মতেং লৌই। মফম অসিদা অচৌ-অশাং, লৈঙাক পায়বা অমত্তা লাকখিদ্রি। বোর্দকী অমদি কাউন্সীলগী ওফিসলশিং নত্তনা লাক্তে। মসিসু স্কুল য়েংবা লাকপনি। ঙসি মণিপুরগী নিংথৌগী ইমুং-মনুং য়াওনা লাকপসি হোম অসিগী ওইনদি পুৱারী ওইরে। ঐখোয়দি এন জি ওগুম্না থবক তৌবা নত্তে। মতেং অমত্তা ফংদনা কথোকপগা লোয়ননা লৈরকপনি। ঐগী লোয়নবী অমদি ইশা দি এম কোলেজদা ওজা ওইবগী তোলোপনা মেন্দুনা লাকপনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## স্পেশল কম্মান্দো য়ুনিটতা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচ এন এস) :

ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুংচন্না লৈবা কংলাতোম্বিদা লৈবা লিনকোন ফর্মাস্যুতিকেলস লিমিটেদকী মেনেজর দেশ বি সীনা কোভিদ-১৯ লাম্ভেংনবদা মাংজিন থানা মায়োক্নরিবা খাবৈশোয়দা লৈবা স্পেসিয়ল কম্মান্দো য়ুনিটতা চনা-থক্লবা চেং হৱাই অমদি তঙাইফদবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে হায়না সী দি ও য়ুনিট মণিপুরগী ওফিসর ইন চার্জ এম জেমসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## মীওই ৮৮৬ দিটেন তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচ এন এস) :

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ থিংনবা লৈঙাক্লা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু থম্লিঙৈ মনুংদা তোঙান-তোঙানবা মফমদা মাস্ক উপ্তুনা লম্বী লমজাওদা থোরকপা মীওই মীওই পুন্না ৮৮৬ অমদি গাড়ি ৭৪২ য়াওনা পুলিসনা দিটেন তৌরগা ফাইন ওইনা লুপা ১,০১,২০০ রোম থীহনখ্রে।

মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা পুলিসশিংনা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা লোকদাউন থুগায়বশিং দিটেন তৌবগী থবক লেপ্তুনা চখুরি। মীয়াম্নসু লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎপিনবা পুলিসকী মায়কৈদগী অপিল তৌরক্লি।

## মুম্বাইদা মণিপুরদগী নুপী অমা শিরে

ইম্ফাল, মে ০৬(ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কাইরং খোমিদোক মনিং লৈকাইদা লৈবী সয়া বেগম মপুরোইবা এম দি অলি অহমদ কৌবা অমা ঙরাং নুমিদাং পুং ১১ রোম তাবদা মুম্বাইগী পেরেল টাটা হোস্পিটালগী মনাক্তা লৈবা কে ঈ এম হোস্পিটালদা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউ মতুং ইন্না মপুরোইবা অলি অহমদ অরুবা লায়না অমনা নাবদগী হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৯দা সয়া বেগম মপুরোইবা অমসুং মচানুপাগা লোয়ননা মুম্বাইদা চৎখিবনি। মহাক খঙহৌদনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী কে ঈ এম হোস্পিটালদা লায়েংদুনা লাক্লবা মতুং ঙরাং লৈখিদবনি হায়রি।

সয়া লৈখিদ্রে হায়বগী পাউ মহাক্কী মপুরোইবা এম দি অলি অহমদতা খঙহনদ্রি হায়রি। এম দি অলি অহমদ দোক্তরনা মতম খরগী মমাংদগী দিসচার্জ তৌরগা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা ফ্লাইট কেন্সেল তৌবদগী হোষ্টেল অমদা লৈমিন্নরকখিবদগী সয়াগী হকচাংগী ফীভমদা খরা নুংঙাইতে হায়বদগী কে ঈ এম হোস্পিটালদা এদমিট তৌরগা লৈরকপদগী লাইবক থীবা থৌদোক অসি থোকখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, মুম্বাইদা মপুরোইবগী সেবারি ওইনা চৎখিবা সয়া বেগমনা ঙরাং খঙহৌদনা লৈখিদবা অসিদা মণিপুর মুস্লিম ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসন এম এম দব্লিয়ু ওনা লৈখিদ্রবীগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদা শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## এন এন ৱাই এগী থৌদাং লৌরম্বা গুনা লম্বীগী এক্সিদেন্টতা লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস):

অন্দ্রো এ সীগী য়াইরিপোক তোপ চীংথাদা লৈবা নোংপোক নিংথৌ য়ুথ এসোসিএসন (এন এন ৱাই এ)গী অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা মাইবম গুনা থা অসিগী ৪দা লাইবক থীবা লম্বীগী এক্সিদেন্ট অমদা লৈখিদ্রে হায়না এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লৈখিদ্রবা গুনা এন এন ৱাই এ অমদি লৈকায় মীয়ামগী ওইনা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা মীওইনি। মহাক্না লৈখিদবসি মাঙজবা অমনি। লৈকায়গীদমক মহাক্না লৌরম্বা থৌদাংশিং শিংথাবদা লোইবা নাইদে। ৱাটর সপ্লায়, গার্লস হোষ্টেল, ইরিগেসন, শান্ন-খোৎনবা অমদি হীরম কয়াদা মাঙজিল থানা থবক তৌরম্বা মীওইনি। মহাক্না লৈখিদবদা এসোসিএসন অসিনা অৱাবা ফোঙদোক্লি। মহাক্কী থৱায়না তাইবং শেম্বা মপুগী মফমদা ঈংনা চিক্লা লৈরুবা ওইরসনু।

লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি। লৈকায় অসিগী থবক থৌরম কয়াদা মহাক্না লৌরম্বা থৌদাংশিং নীংশিংলি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ‘লমদমসিগী ইনাৎ-লাইনিংগী লাইফম মমিং-মথানচিংবা চপ চানা রিপোর্ট পীখৎহন্নিংই’

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস):

য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা লমদমসিগী ইনাৎ-লাইনিংগা শাগোন্নরকপা লাইফম-তীনফম, মমিং-মথানচিংবা চপ চাবা রিপোর্ট পীখৎহন্নিংই হায়না মণিপুর ভেলি ভিলেজ রিজার্ভ ফোরেষ্ট রাইট প্রোটেক্সন এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি শৌগ্রাকপম কুঞ্জকেশ্বরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুর পাক-চাউবসি তং-তাবা অমা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মনুংদা হেক লৈরকপদগী হোংদোক-হোংজিন তৌবগী মওংদা লৈতবা নত্তে। ৱাথোক কয়াসু লাকপা মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি। বোর্দর পিল্লর অমদি য়ুমথংনবা ষ্টেটকা তায়নবা মফম কয়াদা ৱাথোক কয়াসু থোকপা লৈখ্রবনি। বোর্দরদগী হেন্দোক্তুনা ষ্টেট অসিগী মনুংদসু কয়া অমা লৈরি। মণিপুরগী পাক-চাউবসি চুম্বা লানবা ৱাফম্না এক্সপার্টকী ৱাফম ওইরগা ২২৩২৭ স্কোৱার কিলোমিটর অসিগী মনুংদা ২০২০০ স্কোৱার কিলোমিটররোমদি চীংগী লমনি। থেংলবসু থেংনা ষ্টেট লৈঙাক্কী জোইন্ট সেক্রেটরি রেভিন্যুনা চৎলিবা চহীসিগী এপ্রিলদা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ৬, ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, ককচিং, জিরি, বিষ্ণুপুরগী মনুংদা লৈবা অপীকপা চীংশিংগী রিপোর্ট অমা মরী লৈনবা দি সীশিংদা থাগৎলক্কবা খঙহনবা লৈখ্রে। মসি অফবা খোঙথাং অমনি হায়রবসু হাথু হাথু তৌবা মানবা অমদি ভেলি ভিলেজ রিজার্ভ ফোরেষ্ট রাইট প্রোটেক্সননা উই। দি সীশিংনা মাগী মাগী এস দি ও/এস দি সীশিংদগী শোয়দনা রিপোর্ট কৌরমগনি। মখোয়না রিপোর্ট পীখৎলকপা মতমদা হায়রিবা মোল হিলশিং অসিগী জিওগ্রাফিকেল লোকেসন খক্তা নত্তনা চীংদুমশিংদুগী মফমদা য়েলহৌঙৈদগী লমদমসিগী নাৎ-লাইনিংগা শাগোন্নরকপা লাইফম তীনফম খক্তা নত্তনা মমিং-মথানচিংবা চপ চানা রিপোর্ট পীখৎহন্নিংই। রিপোর্ট অসি মরিক চুম্বা অশেংবা রিপোর্ট অমা ওইনবগীদমক লোকল লিদরশিংগা তাথোক-তাশিন তৌনরবদি রিপোর্ট অদু অচুম্বা রিপোর্ট ওইগনি।

মতাং অসিদা রেভিন্যু দিপার্টমেন্ট মণিপুরদা থম্লিংবা ৱাফমদি, রিপোর্ট সবমিট তৌনবগী মতম অসি মতম খরগা পীবীবা পাম্মী। সোসল একাউন্টেবিলিটি লৈনা তৌরগদি চঙশিল্লিবা অসি লৈঙাক্লা পায়খৎলকপদা মীয়াম্না অপেনবা ওইগনি। লমদমসিদা য়েলহৌঙৈদগী ইনাৎ-লাইনিংগা মরী লৈনবা লাইফম তীনফমগী মমিং-মথানচিংবা কয়া অসি চপ চাবা রিপোর্ট পীখৎপা তঙাইফদে। মরী লৈনবশিংনা রিপোর্ট অসি য়াম্না মরিক চুম্না লৌবগা লোয়ননা পীখৎপীয়ু। মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনসু মখা তানা মতম খরা চঙনা চপ চাবা অশেংবা রিপোর্ট কয়া অদু লৌখৎলগদি হেন্না অফবা থবক ওইগনি। হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙ অমদি ওফিসলশিংনা মীৎয়েং চঙহন্নিংই হায়নসু মখা তারি।

## এম পি সী সী : ট্রেনগী অতোংমল পুথোক্কনি

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস):

মপান ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা ট্রেনদা হল্লকপগী অতোংমল পীনবা শেলগী খুদোংচাদবা লৈরবদি মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)না পুথোক্কনি হায়না এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটিনা পি সী সীশিংদা দিরেক্সন পীরকখ্রে। মপান্দা লৈরিবা মাইগ্রেন্ট ৱার্কর, ইমপ্লোয়ী য়াওনা পন্দুনা লৈরিবা মীওইশিংনা করিগুম্বা ট্রেনগী অতোংমল পীনবগী শেলগী অৱাবা থেংনরবদি মতেং পাংনবা খঙহল্লকখ্রে।

এম পি সী সীনসু পন্দুনা লৈরিবশিংগী ট্রেন অতোংমল মতেং পাংগনি। ফোন নম্বর ২৪৫০১২৪ নৎত্রগনা মোবাইল নম্বর ৯৮৫৬১০৬২৯০ দগী পাউ খঙবা য়াগনি। অকুপ্পা মরোলশিং খঙহনবীরকউ হায়নসু মখা তারি।

## চীং-তম চান-থক্লবা পোৎ লান্নখ্রে, খুদোল কয়াসু তম্নখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস):

লোকদাউনননা মরম ওইরগা চান-থক্লবা পোৎলমগী অৱা-চৈথেং নংলিবা লমদম অসিগী চীং অমসুং তমদা পুন্না খুন্দারিবা চীং-তমগী মরক্তা অৱাবা তারবা মচিন-মনাও ওইবগী মরী চেৎশিন্নবা অমদি অরৈ-অরৈবা মতেং পাংনদুনা হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন্দা ঙসি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লল্লোং খুল্লেনগী খুঞ্জাশিং অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লাঙথেল অমসুং ফুন্দ্রেগী খুঞ্জাশিং চান-থক্লবা পোৎ লান্নখ্রে।

পোৎ লান্নবা অদুদা লল্লোং খুনগী মায়কৈদগী এ দি সী চান্দেল, মচি কনষ্টিট্যুএন্সি মেম্বর মোরুং মরিং, লল্লোং ভিলেজ ওথোরিটিগী চ্যেরমেন মোদেস য়ুথ ক্লবকী মেম্বর অমদি ইমা-ইবেল কয়াসু শরুক য়াখি। লাঙথেল অমসুং ফুন্দ্রেগী মায়কৈদগী লাঙথেল জি পিগী প্রধান, জি পি অসিগী মেম্বরশিং অমদি খুঞ্জাশিং শরুক য়াখি। চীংদা ফংবা মনা-মশিং অমদি তমদা ফংবা চান-থক্লবা পোৎলম লান্নখিবা অদুদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি, ডা. ইবোমচাসু শরুক য়াখি।

পোৎ লান্নগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা চান্দেল এ দি সীগী মেম্বর মোরুং মরিংনা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯গী ৱারবা মতম অসিদা মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা চীং অমসুং তমগী মচিন-মনাও ওইবগী মরী অদু হেন্না চেৎশিন্নবা ফীভম অমদা লাক্লি। অৱাবা তারবা মতমদা মতেং পাংনবগী ৱাখল্লোন্দা ঙসিগী পোৎ লান্নবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। লমদমসিদা পুন্না খুন্দারিবা ঐখোয় খুদিংমক্না অমনা অমগী মতেং পাংদুনা পুন্না হিংমিন্নবা তঙাইফদে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## CROSSWORD-3437



### ACROSS

1 Objectives (4)
3 Eccentric (8)
9 Traveller to a shrine (7)
10 Brink (5)
11 Possessed (5)
12 Stockings (6)
14 Chirping insect (6)
16 Seller of cloth (6)
19 Specimen (6)
21 Back-hander (5)
24 Behave badly (3,2)
25 Openly disobedient (7)
26 Former sweetheart (3,5)
27 Meat from a calf (4)

### DOWN

1 Draw near (8)
2 Large fruit (5)
4 Gypsy (6)
5 Polite (5)
6 Root vegetable (7)
7 Arduous journey (4)
8 Worn away (6)
13 Eastern (8)
15 Intoned (7)
17 Snub (6)
18 Infrequently (6)
20 Part of the eye (5)
22 Likeness (5)
23 Luminous ring (4)

**Solution 3436**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | H | A | L | L | O | W | ■ | C | U | R | E | D |
| T | ■ | L | ■ | A | ■ | E | ■ | L | ■ | A | ■ | A |
| O | M | I | T | S | ■ | S | T | A | R | V | E | D |
| P | ■ | E | ■ | T | ■ | S | ■ | N | ■ | I | ■ | D |
| P | E | N | S | I | V | E | ■ | G | L | O | R | Y |
| E | ■ | ■ | ■ | N | ■ | X | ■ | ■ | ■ | L | ■ | ■ |
| D | E | L | U | G | E | ■ | G | E | M | I | N | I |
| ■ | ■ | E | ■ | ■ | ■ | O | ■ | Q | ■ | ■ | ■ | G |
| M | I | X | E | D | ■ | B | O | U | R | B | O | N |
| U | ■ | I | ■ | E | ■ | T | ■ | A | ■ | E | ■ | I |
| R | I | C | O | T | T | A | ■ | B | U | R | S | T |
| A | ■ | O | ■ | E | ■ | I | ■ | L | ■ | Y | ■ | E |
| L | U | N | A | R | ■ | N | E | E | D | L | E | D |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-3236

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 5 | 9 | 7 | | | 6 | |
| | 7 | | | | 5 | | | 4 |
| | | | | 1 | | 3 | | |
| 3 | 8 | | | | | | | 1 |
| | 4 | | | | | | 5 | |
| 5 | | | | | | | 3 | 6 |
| | | 7 | | 3 | | | | |
| 4 | | | 5 | | | | 1 | |
| | 5 | | | 6 | 2 | 9 | | |

### Solution-3235

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 5 | 3 | 9 | 4 | 6 | 1 | 8 | 7 |
| 8 | 1 | 9 | 2 | 7 | 5 | 3 | 4 | 6 |
| 6 | 4 | 7 | 8 | 1 | 3 | 9 | 5 | 2 |
| 5 | 7 | 6 | 3 | 9 | 4 | 8 | 2 | 1 |
| 1 | 3 | 4 | 5 | 2 | 8 | 6 | 7 | 9 |
| 9 | 8 | 2 | 7 | 6 | 1 | 4 | 3 | 5 |
| 4 | 6 | 8 | 1 | 5 | 7 | 2 | 9 | 3 |
| 7 | 2 | 1 | 4 | 3 | 9 | 5 | 6 | 8 |
| 3 | 9 | 5 | 6 | 8 | 2 | 7 | 1 | 4 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers


অসিজোলনেং
স্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম
উ মথকসিদা ফজন্না লৈরম্মুকো।
শা-কৈ কাবা ঙমদনবা উদু মকু খোক্তোক্লম্মী।
অদুদি ঐ নঙগী ফি লৌরুখিগেকো।